ষ্টেট ইন্টর স্কুল গেমস হৌখ্রে

# দিসেম্বর থাদা ইম্ফালদা ফুটবোল অমদি থাং–তাগী নেস্নেল স্কুল গেমস পাংথোক্লগনি

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ* দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস গবর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী চহী ১৭ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ফুটবোল অমসুং চহী ১৭ অমদি ১৯ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী থাং–তা গী ওইবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল গেমস ২০১৪–১৫ হৌখ্রে। দিসেম্বর থাদা ইম্ফালদা চহী ১৭ মখা নুপীমচাগী ফুটবোল অমদি চহী ১৭ অমসুং ১৯ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী থাং–তা নেস্নেল স্কুল গেমস পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুঠ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর কে ঐচ প্রমোদা দেবীনা ফোংদোকখ্রে।


ষ্টেট ইন্টর স্কুল গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারিবা ইম্ফাল ৱেষ্টগী কন্টিঞ্জেন্ট

খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পাংথোকখিবা গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা কে ঐচ প্রমোদা দেবীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গেমস অসি য়াম্না মরুওইবা অমা ওইবতা নত্তুনা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেস্নেল স্কুল গেমস্তা ফজবা পার্ফোমেন্স পীনবগী অহানবা খোংথাং অমসু ওইরিবনা শান্নরোইশিংনা য়াম্না হেন্না কন্না শান্নবা মতম ওইরে। ফুটবোল মশান্নগী নেস্নেল স্কুল গেমসনা দিসেম্বর ৫ দগী ৯ ফাওবা অদুগা থাং–তানা তাং ১৪ দগী ১৭ ফাওবা পাংথোক্কনি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎ রোয়না ষ্টেট ইন্টর স্কুল গেমসতা শরুক য়ারিবা দিষ্ট্রিক্ট অমদি সব দিভিজনেলশিংগী কন্টিজেন্টশিংনা চৎখিবা মার্চ পার্সকী সলামী ওকপদা নত্তুনা গেমস অসি হৌদোক্লে হায়না লাওথোকখি।

নুপামচা ফুটবোলগীদা টিম ১০ না শরুক য়ারি অদুগা নুপীমচাগীদনা টিম ৬ না শরুক য়ারি। হন্দক্কী গেমস অসিদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তি শরুক য়াখিদ্রে।

অহৌবা নুমিৎতা খুমন লম্পাক ফুটবোল প্রেক্টিস গ্রাউন্দদা শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা উখ্রুলনা সেনাপতিবু গোল ৩–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। উখ্রুলগী গোলশিং অদু ময়োন কাপিন, সোমি রোঙ্গুইনা মথংশিংনা ৮ অমসুং ৫৫ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবগা লোয়ননা সেনাপতিগী এম থোমাসনা ৩১ শুবা মিনিটতা আউন গোল অমা চনখিবনি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতনা চুড়াচান্দপুরনা জিরিবামবু গোল ৭–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। চুড়াচান্দপুরগী গোলশিং অদু বুৱানথানলুংনা ৩, ফুংথানলিয়াননা ২, জাম্পুই অমদি কাইমিন্থাংনা অমমম চনখিবনি। জিরিবামগী গোল অদুনা মিমিননা চনখিবনি।

আর্টিফিসেল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা নুপীমচাগী অহানবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টনা জিরিবাম্বু গোল ১১–০ দা মায়থীবা পীখি। ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু এন সুমিলানা ৪, কম্মিনানা ৩, টি ঐচ পুর্ণিমা, এন নিরুপমা, রেবিকা ওইনাম অমদি টি রঞ্জিতানা অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা থৌবালনা চুড়াচান্দপুরবু গোল ১০–০ দা মায়থীবা পীখি। থৌবালগী গোলশিং অদু মিস রবিয়া, এস ঐচ দয়া অমদি এ রোজানা ৩ / ৩ অমসুং গীতারানীনা অমা চনখিবনি।

## পময়াল অমদি এল এফ সি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ৱাই দব্লিউ সি গ্রাউন্দ মালোমদা চখরিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পময়াল পাৎশোয়না সন ক্লব মোংশাঙ্গৈবু গোল ৩–০ দা অমদি এল এফ সি কংলাতোংবীনা এম এস সি মালোম্বু গোল ৬–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা সন ক্লব মোংশাঙ্গৈ অমদি পময়াল পাৎশোয়না শান্নখিবা গ্রুপ (এ) মেটচ অদুগী পময়ালগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ নিল্লকান্তনা ২২ অমদি ২৫ শুবা মিনিটতা অনী অমসুং এস সুরঞ্জয়না ৫৭ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। পময়ালগী দব্লিউ রাজু, এল অমর্জিৎ অমদি সন ক্লবকী এম মঙাললৈবদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এম এস সি মালোম অমদি এল এফ সি কংলাতোংবীনা শান্নখিবা গ্রুপ (বি) মেটচ অদুগী এল এফ সিগী গোলশিং অদু তিংথুইঙমনা ২, সেন্টিলাল, দিজিম্পু, লৈরিসপাউ অমদি দিৱাংপৌনা অমমম চনখিবনি। এম এস সিগী গোল অদুনা এস কিষননা চনখিবনি।

## য়ুঠ অমদি য়ু–১৩ নেস্নেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ* চেনাইদা হৌজিক চখরিবা ২৩ শুবা য়ুঠ নেস্নেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ৫ শুবা রাউন্দ লোয়বদা মণিপুরগী গোবিননা হিমাচল প্রদেশকী শর্ম্মা বিবেকপু মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ৩ শুখ্রে।

নাকল অমরোমদা জমসেদপুরদা চখরিবা ২৮ শুবা য়ু–১৩ বোইজ এণ্ড গার্লস নেস্নেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ৫ শুবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মণিপুরগী এন য়োহেনবনা অসামগী পরাসর দেবাসিস্কী মখুৎতা মায়থীখ্রে। ৱাই য়াইস্নানা অন্ধ্র প্রদেশকী মেঘনা শ্রীগুদিগা দ্রো ওইখ্রে।

নোংথাংলৈমনা তেলঙ্গনাগী সিবিথা বিজুবু মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা রাউন্দগী শান্নখিবা মেটচশিংদনা য়োহেনবনা অসামগী সমিকদাসপু মায়থীবা পীখি। য়াইসনা অমদি নোংথাং লৈমা গুজরাটকী মুদালদর নন্দিনি অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিঞ্জিনি বিশ্বাসকী মখুৎতা মায়থীবা নঙখ্রে।







## প্রি ক্বার্টরগী লাইন অপ লোয়খ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ* দব্লিউ তোলহল জুনিয়র হায় স্কুল প্লে গ্রাউন্দ সাইজাংদা চখরিবা লন্নাই কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী গ্রুপ লীগকী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোয়শিনখিবগা লোয়ননা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী লাইন অপ লোয়খ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (ঐচ)গী অরোইবা লীগ মেটচতা এল এস আই সি লন্নাই অমদি সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌ গোল ২–২ দা দ্রো ওইখ্রে।

## কোন্থৌজম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ* লাইজিং নিংথৌ অপুনবা কাংখুৎ থাংমৈবন্দদা চখরিবা অহুমশুবা ৱাইখোম গম্ভীনি দেবী মেমোরিয়েল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখুৎনা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঙ্গল ১৯–১৫ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

## তাওথোং য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ* লমশাং ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা চখরিবা ৮ শুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা তাউথোং য়ুনাইটেদনা এফ সি ফর্স্ত এম আরবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

তওথোং য়ুনাইটেদকী গোলশিং অদু উমাকান্ত, বিশ্বর্জিৎ অমদি এ ননাওনা অমমম চনখিবনি। এফ সি ফর্স্ত এম আরগী গোল অদুনা টি ঐচ দেবজিৎনা চনখিবনি। গ্রুপ (সি)গী শান্নগদবা মেটচতা অসা শিংজমৈ লাক্তবদগী য়ুনাইটেদ সেকমাইনা ৱাল্ক ওভর ফংখ্রে।






















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*